ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ইতা : নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স গ্রুপনা মশাগী শেন্থোক লন্বী ৱাংলবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইরেংবম কৈনৌ, মোইরাং অমদি কুম্বীগী মীওই ২০০ রোমদা হীদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখিবা

লিসিপ্রিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি
☛ লামায় ২

মোধুতিলা গেঙ রেপ কেসতা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু
☛ লামায় ৩

মীয়ামগী মীপাইবা কোক্লবা হোৎনফম থোক্রে
☛ লামায় ৬

জালি নোটকা কোন্ননা বাংলাদেস নেসনল অমা ফারে
☛ লামায় ৭

ইম্ফাল ইষ্টকী থম্নাপোকপীদা পোজিটিভ কেস থেংনরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা থমজিল্লক্লুনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরবা ইমুংগী মীওইশিংদা চানথক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 051 | নিংথৌকাবা, কালেনগী ৫নী পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, May 17, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নম্বোল পুলিস ষ্টেসন কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট লাইশ্রম বোবিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মীওই অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী পুলিস ষ্টেসন অসি কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোক্লে হায়রি।

ক্না মনা মৈ থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): মোইরাং লমখাই এরিয়াদগী ফাগৎলকখিবা ক্না মনাশিং ঙসি মোইরাং এ সী কোভিদ-১৯ এৱেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিনা পাউমীশিংগী মমাঙদা মৈ থাদোক্লুনা মাঙহনখ্রে।

মীওই ২২৫ পুশিল্লকখি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): ঙরাংগী ওইনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা খ্বাইদগী মশীং হন্থনা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট অহুমনা মীওই ৩১৮ পুশিল্লকখিবা অদু ঙসিগী ওইনদি ফ্লাইট ৬ পাইরকখি। অদুম ওইনমক ফ্লাইটশিং অসিনা পুশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মশীংদি ২২৫ খক্তমক ওইখি।

অন্দ্রোগী মাঙলুবা চেঙ ফংদুনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): অন্দ্রো এ সীগী ফেব্রুৱারী, ২০২১গী মফম খঙলুদ্রবা নফসাগী চেঙশিং ফংলে হায়দুনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এসোসিএসন, অন্দ্রো এ সীনা মসিগী মীয়ামদা য়েন্থোকপা হৌরে হায়রি। এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মসিগী প্রসিদেন্ট এম দি থাকুরউদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা অতৈ এ সীনা ফংলগা অন্দ্রোগীনা ফেব্রুৱারী থাগী চেঙ ফংদবদগী থিজিল্লুবদা মফম খঙলুদ্রবা চেঙশিং অসি ফংলকখিবদগী মীয়ামদা য়েনথোকপা হৌবনি হায়খি।

ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৭.১৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.১৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Positive case mashing leptana hengatlakpana leingakna layengshang amasung oxygen marang kaina thambipham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meeyam marakta masagi Covid19 positive oirabasu lotsinduna litsillakpasing ahakpa cheirak pipham thoktabra?

Yes 82% No 18%

অস! লোইরেহে!

- নখোয় শ্বাইদা কোভিদ মরকসিদা কৈদৌরি ?

- ꯅꯈꯣꯌ ꯁ꯭ꯋꯥꯏꯗꯥ ꯀꯣꯚꯤꯗ ꯃꯔꯛꯀꯁꯤꯗꯥ ꯀꯩꯗꯧꯔꯤ ?



- কোভিদ নাদনবা চৎথোক্তখৈ ঐখোয় খরা পুনশিল্লগা জ্বার শান্নবনি, ইমাখোয়।

- ꯀꯣꯚꯤꯗ ꯅꯥꯗꯅꯕ ꯆꯠꯊꯣꯛꯇꯈꯩ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯈꯔꯥ ꯄꯨꯅꯁꯤꯟꯂꯒꯥ ꯖꯋꯥꯔ ꯁꯥꯟꯅꯕꯅꯤ, ꯏꯃꯥꯈꯣꯌ॥

ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা অহাঙবা সিলিন্দর লৈনবা ওর্দর তৌরুবদা থা ৩ পীবা ঙমখিরোই হায়রক্লে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং অয়াম্বা চাংদা হেনগৎলকপদগী পেসেন্টশিং অসিগী লায়েংবদা তঙাইফদনা চঙবা ভেন্টিলেটর (ওক্সিজেন) শিং মথৌ তাবা মশীং য়ৌনা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক মণিপুরগী ওইনা প্রাইভেট সেক্টরদা লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্টশিংগী মনুংদগী ঐচ ভি এস ওক্সিজেন প্লান্টকী মায়কৈদগী ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা অহাঙবা সিলিন্দরশিং মপানগী কম্পেনিশিংদগী লৈননবা ওর্দর তৌরুবদা থা ৩ ফাওবগী ওইনদি পীবা ঙমখিরোই হায়রক্লে হায়রি।

প্রাইভেট সেক্টরদা লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্টশিংগী মনুংদা নোংমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পুথোক্লিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোইদা লৈরিবা ঐচ ভি এস ওক্সিজেন প্লান্টকী থবক থৌরমশিং মোনিটর তৌরিবা জেনরেল মেনেজর অমিট হুইদ্রোমনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়গী প্লান্ট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসি ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙদা লৈখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা মায়োক্লহল্লক্লিবা খুদোংথিবশিং অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তারক্লিবা ওক্সিজেন মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক মসিবু রিফিল তৌনবগী অহাঙবা সিলিন্দরশিং লৈনবগীদমক ওর্দর তৌরুবদা কম্পেনিশিংগী মায়কৈদগী থা ৩গী ওইনদি এম্পটি সিলিন্দরশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রক্লে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা সিলিন্দরশিং মেন্যুফেকচর তৌরিবা মফমশিংনা মুম্বাই, গুজরাট অমসুং পুনেনচিংবনি। অদুবু তোঙান তোঙানবা মেন্যুফেকচরিং য়ুনিটশিং অদুগী রিজনেল ওফিসশিংসু তোঙান্না লৈ। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ইনি দয়াগী ষ্টেটশিংগী ওইনা কোলকটাদা লৈ হায়রি।

লোয়ননা মহাক্কী ওক্সিজেন প্লান্ট অসিগীদমক মুম্বাইদা হেদ ক্বার্টর ওইনা এম/এস রামা সিলিন্দর প্রাইভেট লিমিটেদতা এম্পটি সিলিন্দর খরা নৌনা লৈশিন্নবগীদমক ওর্দর তৌরুবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি থা ৩ ফাওবগী ওইনা অনৌবা সিলিন্দরশিং পীবা ঙম্লরোই হায়রক্লে হায়রি।

অমিট হুইদ্রোমনা মখা তানা হায়, ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা সিলিন্দরশিং অসি মাগী মাগী মেন্যুফেকচরিং য়ুনিটশিংনা মাঙজৌননা শেম শাবা লোইরগা থন্থা নত্তে। মরমদি ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা সিলিন্দরশিং অসিগী সাইজ অমসুং মখল লৈবাকসিগী ওইনা য়াম্না য়াম্বনা হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা সিলিন্দরশিং অসিগী চপ মান্নবা সাইজ খক্তমক নত্তবনিনা মখোয়না রেদি মেদ ওইনা ফংহন্নবগীদমক মাঙজৌননা শারগা থমদে। মথৌ তারকপা মতমদা ওর্দর তৌবগী মতুংইন্না অকক্লবা মশীংশিং মেন্যুফেকচর তৌরগা ওর্দর তৌরক্লিবা প্লান্টশিংদা য়োনবনি হায়রি। হায়রিবা সিলিন্দরশিং অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ভেটিরিনরি ডাক্তরশিংনা লায়েংবীয়ু য়াদবদগী ফক্নুং অমসুং কংলা সিফাইগী শা-ষণশিং পাক্তক্লনা শিগদৌরে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : হৌজিক মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ পাকশন্না শন্দোরক্তুনা মণিপুর য়ৌশিল্লকপদগী পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্তুনা অচৌবা চৈথেং ফংলিঙৈ চৈরক অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম খরদা শা-ষণদা নাবা লায়না ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) শন্দোরকপনা শা-ষন কয়া পাক্তক্লনা শিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা কংলা সিফাই অমদি ফকনুংগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা শা-ষণদা নাগনবা লায়না ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) শন্দোরকপনা মরম ওইদুনা খুল অনীসিগী চাউরাক্না ষণ ৪০ রোম হেন্না লায়না অসিনা নারকপদগী চাবা থকপা য়াদবনা ষণ কয়া ময়াং কংশিল্লক্তুনা শিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) লায়না অসিনা নারবা ষণশিং অসি মরি লৈনবা লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী ডাক্তরশিংদা লায়েংবিনবা হায়রবসু এফ এম দিগী লায়েংবদা চঙবা হীদাক-লাংথকশিং লৈত্রে হায়রকপদগী হৌজিক ফাওবা লায়েংদনা লৈরকপনা মরম ওইদুনা ষণশিং অসি চাবা-থকপা য়াদবদগী নোংম-নোংমগীময়াং কংশিল্লকপনা শিরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈবনা লৌমীশিংনা পাখৎনবা ফাওনরে।

ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) না নারবা ষণশিং অসি চাবা থকপা য়াদবা খক নত্তনা মখোয়গী মখোংদা হন চঙদুনা নাবগী লায়চৎ অমসু য়াওরি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা ৱাকৎলুরবসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লাকপা কিবনরা নৎত্রগা তশেংনা এফ এম দি লায়েংবদা চঙবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

শক্লাইরবা অইবা ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম খঙহৌদনা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): মেদিকেল প্রোফেসন খুৎপায়নর-ক্লগসু মশাগী চহী ১৪ রোমদমক ঙাইরিঙৈ সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস আইট তম্লিঙৈদগী ৱরীমচা ইবা হৌরক্লুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোলদা নুংশিবা মনম চেনবা শক্লাইরবা লৈচন অমা ওইরকখিবা ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম লৈখিদ্রে।

মহাক ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা অদুঙৈ কুমজা ২০০৪গী মে ৩১ ফাওবা মশামক্লা ঈ এন টিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইনা থবক তৌরমখিবা রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লৈখিদবনি।

ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক হান্নদগী দাইএবিটিক ওইদুনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্ত থা অসিগী ৫দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী মসিগী লায়েং চথরকখিবনি। মসিদগী ফগৎলক্তুনা মহাক কোভিদ-১৯দগী নেগেটিভ ওইরুরবনি হায়রি। অদুবু মশাগী মহৌশাগী পাঙ্গল হঞ্জিল্লক্লবগীদমক মখা তানা লায়েং চথরকখিবদা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদবনি হায়রি। প্রোফেসর ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম নবেম্বর ২০, ১৯৪৪দা শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়গী সনসম কোল্লুপ্তা পোকখিবনি। অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মীং সনসম তোমাল অমসুং মোইরাংথেম নিংঙোল সনসম ওংবী মায়পাকপী কৌই। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সকী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকচরি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১২দা লিংখৎখিবা *হুইয়েন লানপাউ কলমনিষ্ট ফোরম*গী এদভাইজর ওইবিরম্বা শক্লাইরবা অইবা ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সকী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

পোজিটিভ কেস ৬৭৭ থেংনখ্রে, মীওই ১৬ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরকপদগী মসিগী চৈথেং ফংলক্লিবা ষ্টেট অসিদসু নুংতিগী অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেস মশীং থেংনবগা লোয়ননা শিবগী মশীংসু ৱাংনা লৈরকপগা ইরোয়ননা ঙসিসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৭৭ থেংনখ্রে। মসিগী মনুংদা মীচম ৬৬৫নি। অদুনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১২নি হায়রি।

অপূনবা পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৮৪, রিমস ২৯, ইম্ফাল ইষ্ট ১৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৬২, মায়পাকপী ৯, মাদরস ক্যের ১, সী এম সী ২, হিল সাইট ৩, সিএলমেদ ১, সমরিটান ৮, জিলিদ হেল্থ ক্যের সেন্টর ৩, রাজ মেদিসিটি ৩২, আর দি ৱিং ১১, খৃষ্টেন হোস্পিটাল ১, এদভান্স হোস্পিটাল ৬, পিছ হোস্পিটাল ১, জিবন হোস্পিটাল ১৪, শিজ হোস্পিটাল ৭৭, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১১৩, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ২৫, থৌবাল ২৬, বিষ্ণুপুর ২২, কক্চীং ৫৫, চুড়াচান্দপুর ৩৪, চান্দেল ৪, সেনাপতি ৪, তমেংলোং ১২, তেংনৌপল ১, কাংপোকপী ১৭ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ২ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৫৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৬৩, থৌবাল ৩৩, বিষ্ণুপুর ২৪, কক্চীং ৭১, উখ্রুল ২, চুড়াচান্দপুর ৭০, চান্দেল ৫, সেনাপতি ৫, তমেংলোং ১২, তেংনৌপল ২, কাংপোকপী ১৭ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী ২নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৬ লৈখিদবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৯, বিষ্ণু পুরদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ২, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, থৌবালদগী ১ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি শিজ হোস্পিটালদা ৩, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ২, জেনিমসতা ৬ অমসুং রিমসতা ৫ লৈখিদবনি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৬ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ৫৭৮-শুখ্রে।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওই ৩৯৯নি। মখোয়গী মনুংদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস পর্সনেল ৯, হোম আইসোলেসন্দগী ২৯২, রিমস ১০, আর দি ৱিং ৯, বাল ভবন ১৭, এন এস য়ু ১৫, শিজ হোস্পিটাল ১৫, বিষ্ণুপুর ৯, কক্চীং ৩, চুড়াচান্দপুর ১৩, জিরিবাম ২, অমসুং উখ্রুলদগী মীওই ৫নি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ওক্সিজেনগী থৌদাং হোস্পিটাল নৎত্রগা দিলরশিংনা লৌগদবনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): হৌজিক লৈরিবা ওক্সিজেনগী এলোকেসন অসিগী মথক্তা হেন্না মথৌ তারকপা ওক্সিজেনগীদমক হেল্থ ইন্সটিট্যুসন/হোস্পিটাল/হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিং নৎত্রগা মখোয়গী দিলরশিংনা মায়োক্লরকপা অহেনবা ওক্সিজেনশিংগীদমক মপানগী ষ্টেটশিংদা লৈবা মেন্যুফেকচরিং প্লান্টশিংদগী রিফিল তৌবগী থৌদাং পুম্নমক লৌগদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) ঐচ রোসিতানা রিমস অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টর য়াওনা প্রাইভেট হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংগী মেনেজিং দিরেক্টরশিং অমসুং হেদ অমদি হোস্পিটাল অমদি হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌরিবা দিলরশিংদা ইদুনা পীখিবা চেরোল অমনা খঙহনখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হেল্থ ইন্সটিট্যুসন/হোস্পিটাল/হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংনা মেদিকেল ওক্সিজেনশিংগী রেসনেল অমসুং ওপটিমেল ওইবা মওংদা শীজিন্নগদবনি। এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ওক্সিজেন শীজিন্নবগী টার্গেট অসি চাদা ৯২-৯৪ ওইগদবনি হায়রি। মরম অসিনা হেল্থ ফেসিলিটি লৈবা মফম খরদা ওক্সিজেনশিং লেম্না মাঙহনবা অমসুং অন রেগুল্যেট তৌরে হায়বগী রিপোর্টকী মতুংইন্না হেল্থ ফেসিলিটি পুম্নমক্না ওক্সিজেন শীজিন্নবগী মোনিটরিং অমসুং ওদিট কম্মিটিশিং শেমগদবনি হায়রি।

রাজ মেদিসিটিদা কোভিদ পেসেন্ট লৌরগনি
(পাউ লমায় ৩দা)

জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপম্না মখা তাবা থবক পায়খৎলগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমগী কনভিনর এম লোয়ালাকপনা থোরকখিবা চেরোল অমদা লম্ফেল পি এসনা সনাতোন অথোকপমগী হকচাংবু জেনিমসকী রিপোর্ট মতুংইন্না দি কম্পোজ তৌরে, কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌদ্রবদি পুং ৭২গী মনুংদা দিসপোজ তৌরগনি হায়না লাউথোরকপসি কন্দেম তৌই হায়রি।

লোয়ননা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দোক্যুমেন্টশিং হায়বদি মীশি অসিগা মরী লৈনবা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট, দেথ সর্টিফিকেট, সিজর লিষ্টনচিংবা পীথোক্তবা অসিনা মীহাৎপশিং লোৎশিন্নবা হোৎনরে হায়বদু ময়েক শেংলে হায়রি। মরম অসিনা জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমনা হায়জবা অসি তাবীদ্রবনিনা মালেমগী ওইনা শাথীরবা কোভিদকী লাইচৎ অসিগী ফীভম ফরকপদা মখা তাবা থবক থৌরম পায়খৎলগনি অমদি মদুগী থৌদাংশিং লৈঙক্লা পুগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লম্ফেল পি এসকী ও সীগী মায়কৈদগী ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা সনাতোন অথোকপমগী জেনিমস মোর্গতা থম্লক্লিবা হকচাং থা অসিগী ১৮গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা ক্লেম তৌদ্রবদি দিসপোজ তৌরগনি হায়খিবনি

প্রাইম মিনিষ্টর কিষান স্কিম

বেনিফিসরিশিংনা মখা তানা কান্নবা ফংবা ঙমদ্রে

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈবাক অসিগী লৌমী ক্রোর ৯.৫ হেনবদা চহী অমদা লুপা ৬,০০০/৬,০০০ ফংহন্দুনা লৌউ-শিংউবদা মতেং পাংনবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ২৪দা হৌদোকখিবা স্কিম প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি (পি এক - কিষান) স্কিম অসিগী কান্নবা ফংবা হৌখ্রবা লৌমীশিংদা ষ্টেটনা অথিংবা থমখিবদগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা ফংফম থোকপা কান্নবা মখা তানা ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংগদবা (বেনিফিসরি) খনবদা অরানবা থৌওং কয়া চথুরে হায়বগী ৱাকৎ কয়া মীয়ামদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা লাকখিবা অমদি লোকল মীদিয়া খরদা অখন্নবা পাউ (এক্সক্লুসিভ) শিং ফোঙনরকখিবদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা লৌখৎখিবা থবক থৌরমগী মনুং চন্না কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর থাদা দিষ্ট্রিক্ট অনীদগী ওফিসল ৩ ফাওবা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবা লৈখ্রে। মখা তারকপদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৩ হায়বদি কক্চীং, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবালদা হান্না স্কিম অসিগী কান্নবা টর্ম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা *মে ৩১* ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep for a hassle free service to access your needs.
Also Available
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages

Service Timing : 7 am to 7 pm

For Booking Call Now :
☎ 8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

HL-B/6949/27/4-25/5